# মালেমদা ফাওরবা কোমেডিয়ান, চার্লি চাপ্লিনগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা খরা



- চার্লি চাপ্লিন্না হায়, "মালেমসি হিরো খরা অমদি ভিলিএন খরনা শেম্বা নত্তে, লাইনা পীবা থমোয় ইহুল কয়াগী নুপা নুপী কয়ানা শেম্লিবনি।
- চার্লি চাপ্লিননা ফাওগৎলকপদা, ১৯১৫দা, চিকাগোগী পাউমী Gene Morgan না হায়, "মানা উপ্লিবা চাদবা, অচৌবা খোঙউপসি মমিৎ ৫০,০০০,০০০ পাল্লিবনি।"
- "চার্লি চাপ্লিনগী খ্বাইদগী অথোইবা মগুণদি মানা উখিবা পোৎশক নৎত্রগা থৌদোকপু চপ চানা, তশেংনা উৎপা ঙম্বা অসিনি।"
- চার্লি চাপ্লিননা মাবু উনবা লাকপা, ফিল্মগী ৱারী শাবা লাকপা মীওইশিং কয়া থওইনা উনখিদে। মরমদি মানা হায়, "ঐনা তৌজরিবা পূম্বসিবু মখোয়না লোইনা খঙদোকখ্রবদি ঐগী মিত্রং (Magic) লোইনা মাঙখ্রগনি।"
- চার্লি চাপ্লিননা নোংমা মী অমদা হায়খি, "য়েংবদা নুংঙাইবগী ৱানি, ঐনা ফিল্ম অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা ৱারিবদুদি বেঙ্ক কেরানি অমগী থবক্তগী হেন্না ৱায়, য়েংহৈবা নত্তে।"
- চার্লি চাপ্লিননা মালেমদা ফিল্ম পুথোকপগী রেকোর্দ থুগাইরবনি। মসি মানা চহী ৮০ হোৎনজরকপগী, ৱাজরকপগী মহয়নি।
- চার্লি চাপ্লিনবু মুন্না খঙবা মীশিংনা হায়, "মাদি নোল্লুকপনি, মীচমনি, মথম্মোয়দি চাউবনি, ইকায়থীগনবনি। মীশোননি, খাঙবদি কনবনি, কৈসু নত্তবদসু শাউগনবনি।"
- চার্লি চাপ্লিনগী মতাংদা ক্রিটিকশিংনা হায়, "মতাং অমদা মাবু লাইদৌনা থাগৎপা য়াওখ্রবসু চাপ্লিনগী খ্বাইদগী শীংথাবা য়াবদি মপুন্সি চুপ্পা মীচম অমা ওইনা, মীনুংশি চাউনা লেনখিবদুনি হায়বা তাই।"
- চার্লি চাপ্লিনগী থমোয় ফজবগী খুদম অমতং পনবা তারবদি মানা ইহান হান্না লৌখিবা, কায়নখ্রবী নুপী Mildred Harris না মশাগী চহী ৪৩দা কেন্সরনা নাদুনা লেবাননগী লায়েংশঙ অমদা লৈখিদ্রবদা পোৎলোইবা নংনবা লৈ কয়া, উরৈ কয়া, গুলাপ কয়া, অতৈ লৈ মখল কয়াগী উপু কয়া থাখিবদুনি।"
- মাগী থমোয় ফজবা অমতংগা হায়বা তারবদি মাগী কুইনা লোয়নরক্লবা দ্রাইভর, জপানিজ মচা, Kono Toraichi না থবক্তগী পোত্থাখিবদা হিংজনবা পৈশা পীখিবা অমদি জপান্দা মাগী ফিল্মগী দিষ্ট্রিব্যুটর ওইহনখিবদুনি।
- মাগী থমোয় ফজবা অমতংগা অমুক পনবা তারবদি মাগী অহুমশুবা নুপী Paulette Goddard না মনীং তম্নিংলকপদগী কায়নবা তারবদা চাপ্লিন্না ১৯৪২দা অয়েৎপা পীখিদবা, অহোইনদুম মখোয়গী নুংশিনরিঙৈদা লৈখিবা হি (Yatch) মমল য়ামখ্রবা 'Panacea' কৌবদু পীথোকখিবদুনি।
- কায়নরবা মতুংদা Paulette অনীরক ময়ূম পানখি। কায়নরবা মতুং চহী ১৫ মতুংদা চাপ্লিন্না ফিল্ম, 'The Kid and the Idle Class' উৎখ্রবা মতুংদা মমিং চৎখৎলক্তুনা ন্যু য়োর্কতা মীয়াম্না ওকখিবা থৌরম অমদা Paulette করি খল্লুবনো খঙদে মীয়াম মীরক খায়দুনা চঙলক্লগা চাপ্লিনবু অমুক্তং উননবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। মহাক মচা অমত্তা ফংখিদে মতুংদসু।

-মথং-মথং

# মালেমগী অঙকপশিং এলকাট্রাজ আইলেন্দ




য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কেলিফোর্নিয়া মনুং চনবা সেন ফ্রান্সিস্কোদগী সমুদ্র ময়ায়রোমদা মাইল ১.৫ (কিলোমিটর ২.৪) রোম লাপ্না ইথৎ মচা অমা লৈ। এলকাট্রাজ কৌবা ইথৎ অসিদা লাইট হাওস অমা, লানবন অমা অমসুং কৈশুমশঙ অমা লৈরম্মী। কুমজা ১৯৭২ দা নেশনেল রিক্রিয়েশন এরিয়া ওইখ্রবা ইথৎ অসি কুমজা ১৯৮৬ তদি নেশনেল হিষ্টোরিক লেন্দমার্ক ওইনা লাউথোকখি। ঙসিদি নেশনেল পার্ক সার্ভিসনা গোল্ডন গেট নেশনেল রিক্রিয়েশন এরিয়াগী শরুক অমা ওইনা ইথৎ অসিগী থবক থৌরম পুন্নমক য়েংশিনবগী থৌদাং লৌরে।

শীজিন্নখিদ্রবা কৈশুমশঙ, খ্বাইদগী লিরবা লাইট হাওস অমদি অঙনবা মতমদা শীজিন্নরম্বা লান্মীগী লানবল অমা লৈবা ইথৎ অসিগী পাক চাওবা একর ২২ নি। ইথৎ অসিগী মরু ওইবা মফম খরা পনবা তারবদি মেন সেলহাওস, দাইনিং হোল, লাইব্রেরি, লাইট হাওস, ৱার্দেন'স হাওস, ওফিসরস ক্লব, পেরেদ গ্রাউন্দ, ৱাটর টাৱর, ন্যু ইন্দষ্ট্রিজ বিল্ডিং, মোদেল ইন্দষ্ট্রিজ বিল্ডিং অমদি রিক্রিয়েশন য়ার্দ অসিনচিংবনি। মনাক নক্লা খুন্দাবা অমেরিকনশিংনা ইথৎ অসিদা চৎপা কিনৈ।

কুমজা ১৮৪৬ তা মেক্সিকোগী গভর্ণর পাইও পিকোনা লাইট হাওস অমা শাহন্নবগীদমক ইথৎ অসি জুলিয়ন ৱর্কমেনদা পীথোকখি হায়বগী রেকোর্দ লৈ। কোন্না অমুক য়ুনাইটেদ ষ্টেটস গভর্ণমেন্টনা ইথৎ অসি দোলর ৫,০০০ দা হন্দোক্লগা লান্মীগী থবক থৌরমদা শীজিন্নবা হৌখি। ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৮৫৩ দা এলকাট্রাজ ইথৎতা লানবল অমা শেমগৎতুনা লান্মী ২০০ অমদি টোপ ১১ থমখি। মফমসিগী খুদোংচাবা অমদি ঈং-চীকপা মওং-মতৌ য়েংলুরগা কুমজা ১৮৬১ দা কৈশুমশঙ অমা মফমসিদা শাগৎখি। কুমজা ১৮৯৮ দা শোক্লখিবা স্পেন অমদি অমেরিকাগী লালনা মরম ওইরদুনা কৈশুমশঙ অসিদা লানফা থম্বগী চাং ৱাংখৎলকখি। কুমজা ১৯০৭ কী মার্চ ২১ দা য়ু এস মিলিটরিগী কৈশুমশঙনি হায়না ওফিশল ওইনা লাউথোকখিবা প্রিজন অসি কুমজা ১৯৩৩ গী ওক্তোবর থাদগী ফেদরেল ব্যুরো ওফ প্রিজন্সকী মীৎয়েংখাদা থমখি। অতৈ কৈশুমশঙশিংদা লাক্ল-ফানবদা ৱারবা লানফা কয়া এলকাট্রাজগী কৈশুমশঙদা থমখি। কুমজা ১৯৩৪ গী ওগষ্ট ১১ দা য়ু এসকী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লানফা ১৩৭ ইহান হানবা ওইনা অখন্নবা এফ বি আই এজেন্ট, য়ু এস মার্শল অমদি রেলৱে সিক্যুরিটি ওফিশল ৬০ না চেকশিন্না ঙাক-শেল্লগা এলকাট্রাজগী কৈশুমশঙদা পুরকখি। এল কেপোন, রোবর্ট ফ্রেঙ্কলিন ষ্ট্রোদ, রফেল কেন্সেল মিরান্দা, সিকি কোহেন, অর্থর বার্কর, জেমস্ বলগর অমদি অলভিন কার্পিসনচিংবা অমেরিকাগী পুৱারীদা খ্বাইদগী তমথিরবা মীওই কয়া কৈশুমশঙ অসিদা থমখি।

মফমসিদা কৈশুমশঙ থম্বদা শেল কা হেন্না চঙবদগী এটোর্নি জেনরেল রোবার্ট এফ কেনেদিনা কুমজা ১৯৬৩ গী মার্চ ২১ দা কৈশুমশঙ অদু থিংজিন্নবা য়াথং পীখি। মদুগী মহুৎ শিনবা ওইনা চহীদুমক্তদা ইলিনোইসকী মেরিয়নদা কৈশুমশঙ অমা শাখি। কুমজা ১৯৬৪ গী মার্চ ৮ দগী মীচম মীয়াম খুন্দাবা হৌখ্রবা ইথৎ অদু কুমজা ১৯৭৬ তা নেশনেল রেজিষ্টর ওফ হিষ্টোরিক প্লেসেসতা চনখি। কুমজা ১৯৮৬ তনা নেশনেল হিষ্টোরিক লেন্দমার্ক ওইনা লাউথোকখি। কুমজা ১৯৮০ দগীদি ইথৎ অদুদা লমকোয়বশিং চঙহন্দুনা মহৌশাগী নীংথিজবা পুন্নমক য়েংবা য়াহল্লে। ইন্টরনেশনেল ইন্দিয়ন ট্রিটি কাওন্সিলনচিংবা অমেরিকন-ইন্দিয়ন গ্রুপ কয়ানা মরু ওইবা থৌরম পাঙথোকফম ওইরিবা ইথৎ অসিদা গ্লোবেল পীস ফাওন্দেশননা কৈশুমশঙ শীদোক্লগা পীস সেন্তর অমা শেমগৎনবা হোৎনরি।

"বর্দমেন ওফ এলকাট্রাজ" (কুমজা ১৯৬২); দ এনফোর্সর (কুমজা ১৯৭৬); "এস্কেপ ফ্রোম এলকাট্রাজ" (কুমজা ১৯৭৯), "মর্দর ইন দ ফর্ষ্ট" (কুমজা ১৯৯৫); "দ রোক" (কুমজা ১৯৯৬); "কেটচ মি ইফ য়ু কেন" (কুমজা ২০০২); "এক্স-মেন: দ লাষ্ট ষ্টেন্দ" (কুমজা ২০০৬) অমদি "দ বুক ওফ এলি" (কুমজা ২০১০) নচিংবা ফিল্ম কয়া ইথৎ অসিদা নম্বনি।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ




# মীবু শুঙ্খৎপা ঙম্বা মীশক কমদৌনা ওইগদগে



মওং অমসুং ইশানা ইশাবু মকরি ওইনা লৌজবগে হায়বদুনি। মীয়াম্না য়ানবা, য়েংনিংনবা অমদি লোয়ননিংবা মীশক ওইনবনি হায়দুনা হকচাংগী মফম-মফম কয়াদা মশল মত্রং-মত্রং কাহনবগা লোয়ননা খ্বাইদগী মমল তাঙবা ফিজেৎ শেৎপগী থোইদোক্লা মথৌ তাদে। ৱাখল খনবগী মওংনবু চুম্লবদি নুংদা ফুমদুনা লৈরিবা মহৌশাগী ওইবা ফজবা পুন্নমক অতোপ্পা মীনা ইরায় লায়না হেক্তা উবা ফংগনি।

মখাদা পীরিবা কাঙলোনশিং অসি ঙাকপা ঙম্লবদি চঙখিবা মফম পুন্নমক্তা চন্নফম শোয়দনা লৈগনি। হায়রিবা কাঙলোনশিং অদুদি :-

- ইশাগী অশেংবা লীচৎশিং লোৎশিন্নবা খক হোৎনরোইদবনি। হেন্দোক-পাথোক্লা ফবা মীশক শারুবদগী লোয়ন-তিন্নরকখিবা মীওইশিং অদু অশেংবা মরুপ নৎতে। অশেংবা লীচৎ খঙলক্লবাকান্দা শোয়দনা লাপথোকখিগনি। মতম পুম্বদা ইশানা ইশাবু ইকায় খুম্ন জগদবনি। মদুতদা অতোপ্পা মীনসু ইকায় খুম্নরক্কনি।
- মরম লৈতনা ৱা পংঙাঙদা ঙাঙদুনা ইশাগী অপঙবা খক উৎথোকচরোইদবনি। কান্নদবা ৱারেম ঙাঙদুনা অপঙবা উৎথোক্লুগদবগী মহুৎ ৱা শুকঙাঙ ঙাঙদবনা হেন্না ফৈ হায়বা অব্রাহম লিঙ্কনগী পাউতাক অদু নীংশিংবা কান্নগনি।
- মীনা ঙাঙবা ৱা মুন্না তাবীগদবনি। কনাগুম্বা অমনা ৱা ঙাঙলিঙৈদা মরক থৎতুনা অহৈ-অপা শারুরবদি মীয়াম্না য়াবা মীশক ওইবা খক য়ারোই। মুন্না তাবিবা মীশক্তুগী মফমদা ৱারী লীনিংবা, মীদুগা তিন্ননিংবা মশানা তাবনি।
- মতম লৈবা খিবিক্তা নোকমি-নোকমি তৌদুনা লৈগদবনি। করিগুম্বা কান্দা থৱায় তানা নোকথোক্কদবনি। অশাওবা মায়থোং পুদুনা চৎপা মীগী মনাক্তা কনাসু নক্লিংদে।
- ইশানা ইশাবু য়াম্না মরু ওইনা লৌজবা মীশক অমগুম মায় থাংগৎতুনা চৎকদবনি। মশানফাওবা মরু ওইনা লৌজদ্রবা, মায় লূকথরগা চৎপা মীওইশিং কনানসু লোয়ননিংদে।
- মীগা ৱারী শানবা মতমদা মীদুগী মমিৎতা মুন্না য়েংগদবনি। মসি মীওই অদুবু মরু ওইনা লৌই হায়বগী খুদমনি।
- কৈদৌঙৈদসু কমপ্লেন খক তৌরোইদবনি। মফম খুদিংমক্তা ৱাকৎ ময়াম অমগা লোয়ননা চঙলকপা মীওই অদু কনানসু লোয়ননিংদে।
- মায়দা হৌবা শমগী মতাংদা চেকশিনবা মথৌ তাই। নুপা ওইবশিংনা চাং নাইনা কোই ফানগদবনি। কোই খাক্কে হায়রগনা লূনা-নান্না থমগদবনি। অমরোমদা নুপী ওইবিশিংনা পীশুমগী মওং মতৌ নীংথিনা শেম্বা মথৌ তাই।
- কোক্কী শম্লাংশিং অসি কোক্তা উপ্পা লুহুপকুম্বনি। চাং নাইনা শম কপনা মশা নানবা মী মালহল্লি। শম্লাংনবু ইফা ফারবদি ফনা ফজবা ফিরোল শেৎলবসু মশা নানবা মী মান্দে। অমোৎপা মীগা তিন্ননিংবা কনাসু লৈরম্লোই।
- মীয়াম্না য়াবা অমদি তিন্ননিংবা মীশক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা মথক্কী কাঙলোনশিং অসি ঙাক্লা চৎপা কান্নগনি।



মীয়াম্না পাম্নবা, য়াবা অমদি লোয়ননিংবা মীশক অমা ওইনবগীদমক তঙাইফদনা শক ফজবা, মশা-মউ ফবা অমদি নীংথিবা ফিজেৎ শেৎপা মথৌ তাই হায়না মীওই অয়াম্বনা শেরান্ননা থাজনৈ। পুন্নমক অসি মরু ওইদে হায়বমক্তি নত্তে অদুবু হেন্না মরু ওইরিবদি ইশা ইশাগী ৱাখল খনবগী

# সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি



## বেট্টরিনা থৌবা মোটোর সাইকল

মশাগী চহী ১৯ শুবদা ঙায়রিবা বেন জেন পোসনা পুথোরকপা অনৌবা মখলগী মোটোর সাইকল অমনা মীয়ামগী মীৎয়েং চিংশিনবা ঙমখ্রে। টোরোন্টোদা পাঙথোকপা নেশনেল মোটোর সাইকল শোদা ইহান হান্না উৎখিবা মোটোর সাইকল অদু গাইরো টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা শেমগৎপনি। "য়ুনো" কৌবা বাইক অদু বেট্টরিনা চেলহল্লি অমসুং এসেলরেটর পান্দে। খোঙজেল য়াঙখৎহনগে হায়রবদি থৌরিবা মী অদু মাঙলোমদা নোনথগদবনি অমসুং তপথহনগে হায়রগনা তুংলোমদা থেক্তোক্কদবনি। পাওন্দ ১২৯ (কিলোগ্রাম ৫৮) লূম্বা য়ুনোনা পুংদা মাইল ২৫ (পুংদা কিলোমিটর ৪০ গী চাং ফাওবা য়াঙনা থৌবা ঙম্মী। মসচসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিদা তম্বা বেন পোসনা পুথোকপা টেক্নোলোজি অদুগীদমক ইন্টেল ইন্টরনেশনেল সাইন্স এন্দ এঞ্জিনিয়রিং ফ্যেরদা অনীশুবা মনা ফংখি। পোপ্যুলর সাইন্স ইনভেনশন এৱার্দসতনা অহানবা মনা ফংখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা অনৌ অনৌবা পোৎলম পুথোক্লবা হোৎনবদা থৱায় য়াওরকপা মীওই অসিনা শেলগী মনা ওইনা দোলর মিলিয়ন ১.২৫ ফংখ্রে।

## চীঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্লি - নুংত্তিগী শেম অমমম চারবদি দোক্তরদগী লাপ্পা লৈ



"নোংমদা শেম অমমম চারবদি দোক্তরদগী লাপ্পা লৈ" হায়বা ৱাফম অসি মমাঙঙৈদগী হৌনা ঙাঙনদুনা লাক্লবনি। হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীরিবা উহৈ অসি অসুক্কী মতিক মরু ওইনা লৌনবগা লোয়ননা অঙকপা মখলগী উহৈ (মিরাকল ফ্রুইট) ওইনা লৌনরক্লে।

"মেদিকেল ন্যুজ টুদে" না হকচাংদা খ্বাইদগী কান্নবা চীঞ্জাক ১০ খনগৎলগা ফোঙলকপদা শেম্না মকোক ইথং-থংনা লৈ। মরু ওইবা এন্টিওক্সিদেন্ট, ফ্লেভানোইদ, দাইটরি ফাইবর অমদি ফাইটোন্যুত্রিয়ন্টশিং য়াওবা মরম্না শেম চাং নাইনা চারবদি কেন্সর, হাইপরটেন্সন, দাইবেটিস অমসুং থম্মোয়গী লায়নাশিংদগী খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙম্মী।

গ্রাম ১০০ লূম্বা শেম অমা মকু য়াওনা চাবা মতমদা এনর্জি কিলো-কেলোরি ৫২; কার্বোহাইড্রেট গ্রাম ১৩.৮১; ফেট গ্রাম ০.১৭; প্রোটিন গ্রাম ০.২৬; ঈশিং গ্রাম ৮৫.৫৬; সোদিয়ম মিলিগ্রাম ১; বেটা কেরোটিন মাইক্রোগ্রাম ২৭; ল্যুটিন অমদি জিজানথিন মাইক্রোগ্রাম ২৯; থিয়ামিন (ভিটামিন বি-ৱান) মিলিগ্রাম ০.০১৭; ভিটামিন এ মাইক্রো গ্রাম ৩; রাইবোফ্লেবিন (ভিটামিন বি-টু) মিলিগ্রাম ০.০২৬; নিয়াসিন (ভিটামিন বি-থ্রী) মিলিগ্রাম ০.০৯১; পেন্টোথেনিক এসিদ (ভিটামিন বি-ফাইভ) মিলিগ্রাম ০.০৬১; ভিটামিন বি-৬ মিলিগ্রাম ০.০৪১; ফোলেট (ভিটামিন বি-৯) মাইক্রো গ্রাম ৩; ভিটামিন সি মিলিগ্রাম ৪.৬; ভিটামিন-ঈ মিলিগ্রাম ০.১৮; ভিটামিন - কে মাইক্রো গ্রাম ২.২, কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ৬; আইরন মিলিগ্রাম ০.১২; মেগনেসিয়ম মিলিগ্রাম ৫; মেনগনিজ মিলিগ্রাম ০.০৩৫; ফোসফরস মিলিগ্রাম ১১ অমসুং পোটাসিয়ম মিলিগ্রাম ১০৭ ফংবা ঙম্মী।

উহৈ অসি চাবদগী ফংলিবা কান্নবশিংদি য়া ঙৌবা অমসুং কনবা, ব্রেন ফহন্দুনা পেং চোইহন্দবা; কেন্সর মখল খরদগী ঙাকথোকপা; দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থহনবা; কোলেষ্টেরোলগী চাং হন্থহনবা; হার্ট ফহনবা; গোল ব্লাদরদা নুঙ লৈহন্দবা; খোঙ হাম্বা চাং নাইহনবা; হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহন্দবা; লিভর ফহনবা; ইম্যুন সিষ্টম মপাঙ্গল কলহনবা অমসুং ঙৌদোং থুংহন্দবা অসিনচিংবনি।

চেকশিনগদবা অমনা শেমগী মরুদা সাইনাইদ কৌবা মতিক ময়াই কল্লবা হূ অমা য়াওবা মরম্না শেমগী মরু চারোইদবনি।

# উ ইহাক্তং পোত্থাবা য়াব্রা য়েংশি

*খোমজিনবা, লেংজবা -*
**য়েন্দ্রেম্বম রনধির কুমার**

### নীংজবা থুংবা

নুপা অমনা বোনদা গঙ্গা থক্তুনা ইবুংঙো মহাদেভপু নিংজৈ মহাদেবনা মাবু নিংলিবা নুপাদু উবদা নুঙাইতদনা লাক্লগা হংলম্মী।

হাহা - করিগীনো মহাশোই নহাক্লা ঐবু থৱায় থানা নিংলিবদি

নুপা - প্রভু ঐগী নিংবা থুংদবা খরা লৈরে প্রভুনা ঐবু নুংশিবীরবদি ঐগী নিংজরিসে অমুক্তা থুংহনবীরম্মু

মহা - য়াম্না পীবদি ঙম্লোই নঙগী অনিংবা ৩ খক নিজরো

নুপা - প্রভু ঐগী লৈনবা য়ুম অমগা চানা থক্লবা ৱাৎতবা অদুগা অরোইবদা পৃথিবীদা খ্বায়দগী মপুকচেল চাওবী নুপী অমা ঐগী নুপী ওইনা পীবিরো হায়দুনা নিজরম্মী

মহা : থুংজরো হায়রম্লগা চৎখ্রে

নুপাদুনা নিরিবশিংদু মথং মথং নম্বর ১. য়ুম, নম্বর ২. চান-থক্লবা, নম্বর ৩ পুকচেল চাওবী নুপীদুদি মাদর টেরেসা ওইনা ফংলম্মী।

*-বোনিয়ম শরাংথেমনা থারকপা*

### চলাল ককপা

দেল্লি পুলিস কন্সটেবল ঃ নঙ নো পার্কিং এরিয়াদা গাড়ি খান্বগী ফাইন লৌবা তারে। চলান কক্লগে নমিং হায়রক ও।

ফোরেন্নর ঃ মাই নেম ইজ WILHELM VONCORGRINZKSY

পুলিস ঃ উইসস করি মিংদা নো। চলান ককপদা বনান লাল্লদি ঐ বেরা কানবা তারে। য়ারে য়ারে মহাসয় চৎপিরো চৎপিরো...

*-সলেশ মঙাঙ*

# ভেজিটেবল সেন্দরিচ করম্না শেমগদগে

ব্রেদ টোষ্ট অমসুং মনা মশিং খরনা শেম্বা ভেজিটেবল সেন্দৱিচ অসি মতম ইচঙ চঙহন্দনা শেম্বা য়াবা অমসুং খুদক্কী ওইবা অরাম্বা কোকহন্নবা খ্বাইদগী ফরবা চীঞ্জাক মখল অমনি। থোইদোকপা মরু-মরাং য়াওদবা মরম্না চাবদা হকচাং ফবা চীঞ্জাক অসি অয়ুক অঙনবগী ব্রেকফাষ্ট নৎত্রগনা নুমিদাংৱাইরমগী থবক হল্লক্লগা চাবদা অদুম ইচন্দ-চন্নে।

***চঙগদবা পোৎচঙ ঃ***

- ব্রেদ, অচাথাউ
- আলু
- তিলহৌ
- মোরোক অতেকপা
- খামেন অশিনবা
- ফদিগোম মনা
- থুম, য়াইঙং অমসুং বট্টর।



***শেম শাবগী মওং :***

মৈথক্তা খাং অমা থাঙ্গৎলো অমসুং মকক-মকক কক্লবা ব্রেদ স্লাইসশিং অদু বট্টর তৈরগা হাপচিল্লো। মচু হাইরপ ওল্লক্লব-কান্দা থাংথরগা তোখাইনা থমখ্রো।

- আলু, তিলহৌ, মোরোক, খামেন অশিনবা, থুম অমদি য়াইঙং পূন্না ঙৌমিন্নরগা তোখায়না থমখ্রো।
- মনা-মশিং অদু ব্রেদ স্লাইস অনীগী মরক্তা হাপ্লগা ফোঙ-ফোঙ শানা চট্নি নৎত্রগা কেটচপকা পূন্না চামিন্নবা য়ারে।